# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 01-01-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১)  অনৌবা চহি ইং ২০২৫ ঙসিদগী হৌরে। অনৌবা চহিনা লাকপদা মীয়ামা হরাউ নুংঙাইবা ফোংদোকরি।

২)  মুখ্য মন্ত্রি  নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা হায়রি- মণিপুরদা তংদু লৈতাদনা লৈরিবা অসি বর্মিজ রিফ্যুজিশিং খুন্দা লৈতাহল্লম্বা অমদি ম্যান্মারদা বেজ তৌবা মিলিটেন্টশিং সুগী য়ান্না ৱারোল তৌরম্বদগীনি।

অমসুং

৩)  সেক্যুরিতি ফোর্সনা বিষ্ণুপুর অমদি থৌবাল জিলাদগী য়াম্লবা খুৎশু খুৎলায়শিং ফাগৎখ্রে।

------

২০২৫ (এল)ঃ  অনৌবা চহি ইং ২০২৫ ঙসিদগী হৌরে। অনৌবা চহিনা লাকপদা মীয়ামা হরাউ নুংঙাইবা ফোংদোকরি। মালেমগী মফম কয়াদা অনৌবা চহিবু হরাউ তয়ামা ওকপগী থৌরমশিং পাঙথোকখি। মফম কয়াদা অহেনবা সেক্যুরিতি ফোর্স থাজিনদুনা পামদবা থৌদোক থোক্তনবা হোৎনরি।

অনৌবা চহিনা লাকপদা লুচিংবা কয়ানা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমু, মণিপুরগী রাজ্যপাল লক্ষ্মন প্রসাদ অচারিয়া, মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহ, মন্ত্রিশিং, এম.এল.এশিং তোঙান তোঙানবা

রাজনীতি দল অমদি সংস্থান কয়ানা রাজ্য অসিগী মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

অনৌবা চহিনা লাকপদা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরদুনা রাষ্ট্রপতিনা হায়- অনৌবা চহি অসিদা মীয়ামা অনৌবা ৱাখল্লোন, অনৌবা আশা অমসুং অনৌবা মঙলানগা লোয়ননা থবক পায়খৎপা হৌরশি।

মহাক্কী পাউজেলদা রাজ্যপালনা হায়- লাক্লিবা চহি অসিদা মীয়ামা অমত্তা ওইনা পুন্না লমদম অসিদা নুংশি চান্নবা অমদি চাওখৎপা পুরকবা হোৎনমিন্নরশি।

পাউজেল অমদা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা হায়- অনৌবা চহি লাকপনা নুংশিনদবা অমসুং অকিবা হায়বদু কাউথোকদুনা অমত্তা ওইনা পুন্না লৈমিন্ননবা হোৎনরশি।

বিরেন (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা হায়রি- মণিপুরদা ঙসি থোক্লিবা তংদু লৈতাদবা অসি বর্মিজ রিফ্যুজি ময়াম মণিপুরদা খুন্দা লৈতাহল্লম্বা অমদি ম্যান্মারদা বেজ তৌবা মিলিটেন্টশিং সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন (সু) য়ান্না ৱারোল কংগ্রেসকী মতমদা চত্থরম্বদগীনি।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- মণিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসিনা ময়ুম মকৈ মাং তাকখ্রবা মীওইশিংগীদমক নুংঙাইতবা ফোংদোক্লি। মুখ্য মন্ত্রি অমা ওইনা থোকখিবা থৌদোক অসি কাউথোকদুনা অমদি অমনা অমবু ঙাকপীনবা আপীল তৌখিবনি। মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- মণিপুরদা থোকখিবা নাগা কুকি ইরাংদা মীওই লিশিং ১,৩০০ লোম লৈখিদে, মীওই লিশিং কয়ানা ময়ুম মকৈ থাদোক্তুনা চেন্নখি। ইরাং অদু চহি কয়া- ইং ১৯৯২ দগী ১৯৯৭ ফাওবা চত্থখি। অদুবু খ্বাইদগী হেন্না ইরাং কনখিবা অসি ১৯৯২ দগী ১৯৯৩ ফাওবনি। মতম অদু অৱাং নোংপোক ভারত্তা খ্বাইদগী ঈহিং নাইহিং তাবা মতম ওইখি। মসিনা মরম ওইদুনা মণিপুরদা লৈরিবা নাগা অমসুং কুকিগী মরক্তর অফবা মরী লৈখিদে। ইং ১৯৯১ দগী ১৯৯৬ ফাওবা প্রধান মন্ত্রি

ওইখিবা পি.ভি. নরাসিমহা রাও অমসুং মতম অদুগী  রাষ্ট্রপতিনা মণিপুরদা লাক্কুনা শোইখ্রে লানখ্রে হায়বগী ৱাফম ফোংদোকখিবা লৈতে। মুখ্য মন্ত্রিনা মখা তানা হায়- ইং ১৯৯৭ তগী ১৯৯৮ ফাওবদা চথুখিবা কুকি পাইতে ইরাংদা মীওই ৩৫০ লৈখিদে। মতমদুদা প্রধান মন্ত্রি ওইরিবা আই.কে. গুজরালনা মণিপুরদা লাক্কুনা মীয়ামদা লানখ্রে হায়জখিবা লৈব্রা। মণিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসিগী ৱারোইশিন পুরকবা হোৎনবগী মহুৎতা কংগ্রেসনা মতম চুপ্পদা রাজনীতি শান্নদুনা লৈ হায়না মহাকা মরাল শিখি।

গোবিনদাস (এল)ঃ    রাজ্যগী ৱার্ক্স মন্ত্রি গোবিনদাস কোন্থৌজমনা ঙরাং নিউ দিল্লিদা কেন্দ্রগী শেল থুম মন্ত্রি নিরমালা সিতারমনগা উন্নদুনা মণিপুরগী ওইবা প্রোজেক্টশিংগী মতাংদা ৱাফমশিং খন্নখ্রে।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা শ্রী গোবিনদাসনা হায়- কেন্দ্রগী মন্ত্রি অসিগা মণিপুরগী ওইবা মরুওইবা প্রোজেক্ট অনিগী মতাংদা ৱাফমশিং খন্নখি। মসি রাজ্য অসিগী চাওখৎ লন্বীদা অচৌবা মায় পাকপা অমনি। মহাকা হায়- এসিয়ান দিভলপমেন্ট বেঙ্ককী শেন্থুং মখাদা ইম্ফাল রিং রোড প্রোজেক্ট পায়খৎনবা অমসুং ৱার্ল্ড বেঙ্ককী মতেংনা মণিপুর ইনফোটেক ইনেবল দিভলপমেন্ট প্রোজেক্ট পায়খৎপগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নখি।

এমপিসিসি (এল)ঃ    হান্নগী মন্ত্রি থৌদাম দেবেন্দ্র সিংহগী মফমদা ঙসি মণিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কমিতিনা ইকায় খুমবা উৎকনি। ইম্ফালগী কংগ্রেস ভবনদা ঙসি পাঙথোক্কদবা থৌরম অমদা কংগ্রেস কর্ম্মিশিংনা লৈখিদ্রবা লুচিংবা অসিগী মফমদা লৈ কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎকনি।

পুলিস (এল)ঃ    মণিপুর পুলিসনা রাজ্য অসিগী মফম কয়াদা থি হুন্নবগী থবক লেপ্তুনা চথুরি। বিষ্ণুপুর জিলাগী খুঞ্জারোক নালা ময়াগী থোংখোঙলোক খুলদগী

মেগজিন য়াওবা এস.এল.আর অমা, থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, তুয়েল্ব বোরগী সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অমা, মেগজিন অনিগা লোয়ননা নাইন এম.এম পিষ্টোল অনি, এন্তি রাইওট নোংমৈ অমা, ইন্সাস এল.এম.জি মেগজিন অনি ইন্সাস রাইফলকী মেগজিন অনি, হেন্দ গ্রেনেদ মরি অমদি নোংমৈ মরু লোয়ননা অতৈ পোৎলম কয়ামরুম ফাগৎখি।

থৌবাল জিলাগী লৈশাংথেম ইকোপ পাৎতগীনা মেগজিন য়াওবা এন্তি মেটরিয়েল রাইফল স্নাইপ্পর ওইনা শেমদোক্লবা অমা, সিঙ্গল বোল্ট এক্সন রাইফল অনি, নাইন এম.এম. পিষ্টোল অহুম, হেন্দগ্রেনদ অমা, এম.কে-থার্তিন-টি মরি, নোংমৈ মরু অমসুং তোকনিংশিং ফাগৎখি।

মণিপুর পুলিসনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মন্ত্রিপুখ্রি বজারগী বেঙ্গোলি ক্রোসি ময়াদগী কে.সি.পি (পি.দব্লিউ.জি)গী মীওই অমা ফাখি। মহাক মীয়াম অমসুং করবারৱালাশিংদগী শেল খায়বদা চেন্নবনি হায়রি। মঙোন্দগী নোংমৈ মরু য়াওবা মেগজিনগা লোয়ননা নাইন এম.এম পিষ্টোল অমা, কে.সি.পি (পি.দব্লিউ.জি)গী মনি রিসিপ, চাকা অনি পানবা গাড়ি অমা অমসুং অতৈ পোৎলম কয়া ফাগৎখি।

অমরোমদা, থমাপোকপীগী উয়োক চীংদা ঙরাং লান্মী, বি.এস.এফ অমসুং সি.আর.পি.এফ থমবা হোৎনবদা মফম অদুগী নুপীশিংনা অপনবা পীরকখি। অদুমওইনমক, সেক্যুরিতিগী অপুনবা কাংবুনা মখোয়বু তান্থোকপগা লোয়ননা ইরাং অদু লাকশিনবা ঙমলে হায়রি। মফম অদুদা হৌজিক মখা তাবা পামদবা থৌদোক থোক্তনবা চীংথক্তা সেক্যুরিতি ফোর্স থমলে।

নেসনেল হাইৱে থার্তিসভেন অমসুং নেসনেল হাইৱে-টুদা অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা তাঙাইফদনা চংবা পোৎ পুবা গাড়ি ৩১৩ অমসুং ২৪০ পুশিল্লকখ্রে।

কাংপোকপী (এল)ঃ কাংপোকপী জিলাগী সাইকুল সব-দিভিজনগী সাইবোল লমদমদা সেক্যুরিতি ফোর্স থমজিল্লকপবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা মতম কক্তবা

ইকোনোমিক ব্লোকেদ কৌখ্রে। কমিতি ওন ত্রাইবেল য়ুনিতি (কোতু)না সেক্যুরিতি ফোর্স লৌথোকবা সরকারদা হায়খ্রবসু থবক্তা ওন্থোরক্তবদগী কাংপোকপীগী সাদর হিলস লমদমদা মতম কক্তবা ইকোনোমিক ব্লোকেদ কৌখিবনি।

এআর (এল)ঃ অসাম রাইফলসনা চুরাচান্দপুর জিলাগী শঙাইকোটতা হাংলিবা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা অঙাংশিংদা শান্ন-খোৎনবগী পোৎলমশিং খুৎশিন্নখ্রে।

অমরোমদা, অসাম রাইফলসনা চুরাচান্দপুর জিলাগী ভেং খুলদা তেরিতোরিয়েল আর্মিদা চংননবা অমসুং এস.এস.সি পরিক্ষা থাগদৌরিবা কেন্দিদেটশিংগী মোগ টেষ্ট পাঙথোকখ্রে। মদুদা নুপী কেন্দিদেট ৬ য়াওনা কেন্দিদেট ৩৩ রোমা শরুক য়াখি।

শন্তোস ত্রোফি ঃ নোংচুপ বেঙ্গলনা ৭৮ শুবা নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ফোর শন্তোস ত্রোফি লৌরে।

তেলঙ্গনাগী হাইদ্রবাদতা লৈবা জি.এম.সি বালাযোগি ষ্টেদিয়মদা ঙরাং শান্নখিবা ফাইনেলদা নোংচুপ বেঙ্গলনা কেরলাবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখিবনি। নোংচুপ বেঙ্গলগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু ইনজ্‌রি টাইমগী মিনিত ৯৪ চৎপা মতমদা রোবি হন্সদানা চনখিবনি। চেম্পিয়নসিপ অসি লৌবগা লোয়ননা নোংচুপ বেঙ্গলনা নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়ন ওইবা ৩৩ রক শুরে।

ৱেদর ঃ ইন্দিয়ান মেট বিভাগনা মণিপুর, নাগালেন্দ, মেঘালয়, ত্রিপুরা, সিক্কিম, অসাম, সব-হিমালায়ান ৱেষ্ট বেঙ্গল অমসুং উরিষাগী মফম কয়াদা লৈচিন কুংনা থাগনি হায়রি।

নোংপোক ভারতকী মফম কয়াদা লাক্লিবা নুমিৎ নিনি হুমি অসিদা লৈচিল

কুংনা থাগনি। জম্মু কাশ্মীর, লদাখ অমসুং হিমাচল প্রদেশকী মফম কয়াদা অঙৌংবা নুংশিৎ শিৎকনি হায়রি। অৰাং নোংচুপ ভারতকী মফম কয়াদা ময়াই ওইরপ নোং চুগনি। লদাখকী মফম কয়াদা ঈংবগী চাং হেনগৎলক্লি। ভারত-চাইনা ঙমখৈ পরিংগী নিওমাদা ঈংবগী চাং মাইনস ১৯.১ দিগ্রি সেলসিয়স ওইখি। দ্রাস লমদমদনা ঈংবগী চাং মাইনস ১৮.৪ দিগি সেলসিয়স অমসুং লদাখকী কোনুং লেহ সহরদনা মাইনস ১১ দিগ্রি সেলসিয়স ওইখি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

শঙাই এক্সপ্রেসকী অহানবা হেদলাইন অসি মীশি মীনা ময়াম থোকখিবগী মতাংদা সি.এম. বিরেন্না হায়- হান্নগী ফিভমদা হঞ্জিন্নবা হোৎনগনি। পাউচে অসিগী অনিসুবা হেদলাইনদা লোইশিনবা নাইদনা লৈরিবা মণিপুরগী ইরাংগী মতাংদা ও. ইবোবীনা হায়- গুজরাতকুম্বদা ওইরদি নহালনা লোইশিল্লগনি।

পোকফম পাউচেগী অহানবা হেদলাইন অসি গভর্নমেন্ট কর্ম্মচারিশিংগী দি.এ চাদা ৭  হেনগৎতুনা চাদা ৩৯ ফংলগনি। মসিগা মান্নবা পাউশিং নহারোলগী থৌদাং, শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসন, সনালৈবাক, মোর্নিং বেল অমসুং ঈচেল এক্সপ্রেসকী অহানবা হেদলাইন ওইনা ফোংনরক্লি।

পিপিলস ক্রোনিকলগী অহানবা হেদলাইন অসি সেক্যুরিতি ফোর্সস থমজিল্লকপগী মায়োক্তা খোঙজং চংশিনবদা কুকি নুপী ১৫ শোক্লে হায়বা বেন্নর হেদলাইন অসিনি।

মণিপুর নিউজগী অহানবা হেদলাইন অসি অনৌবা চহিনা লাকপদা পুমমক কাউথোকদুনা ইং তপ্পা মণিপুর অমা পুরকবা হোৎনমিন্নশি, মীতোপ হেনগৎলকপা থিংনবা জন্ ১৭ তগী অঙাং হেক পোকপগা মমাগী আধারদা লিঙ্ক তৌদুনা বার্ট রেজিষ্ট্রেসন হৌরগনি হায়বা বেন্নর হেদলাইন অসিনি।

নহারোলগী থৌদাংগী অনিসুবা হেদলাইন দেমোগ্রাফিক মেপ্পিং চগুনবা

মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যারসনা অৱাং নোংপোক্তা খঙহনখ্রে হায়বা পাউ অসি ফোংলক্লি।

কুকিগী বঙ্কর থুগাইরুবদগী সাইবোলদা ইরাং থোকখ্রে, কুকি নুপী কয়া শোকপগী মায়োক্তা কোতুনা সট দাউন লাউথোকখ্রে হায়না সনালৈবাক পাউচেদা অনিসুবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

চীফ মিনিষ্টর বিরেন্না ইং ২০২৪ বু শোইখ্রে হায়বা ৱাহৈ অসিনা লোইশিনখ্রে হায়না ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা অহানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদলাইন অসি বেন্নর হেদলাইননি, হেদলাইন অসিদা মণিপুরঃ মীহাৎ মীপুনগী মীরাওখোলনা নিনবা চহি ২০২৪ চৎখ্রগা অনৌবা কুমজা ২০২৫ লাক্লে হায়না ফোংলি। হেদলাইন অসিগী মনুং চন্না হৌখিবা চহি অসিদা থোকখিবা মরুওইবা থৌদোকশিং তোঙান তোঙানবা সব-হেদলাইন পীদুনা ফোংবা থেংনরে।

জেনিমসকী দেন্টেল কলেজঃ দিপ্যুটেসনদা লাকখিবা দের্ন্টিল সাজর্ন্টশিং এবজোর্ভ তৌনবা হোৎনরকপদা পেন্নদ্রে হায়বা হেদলাইন অসিনা ঈচেল এক্সপ্রেসকী অনিসুবা হেদলাইনি।

------